লু নানবা খক্তনা লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙমগনিঃ রাধেশ্যাম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচএনএস): হৈরোক কেন্দ্রগী এম এল এ ডা. থোকচোক রাধেশ্যামগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি ভারতিয়া জনটা যুব মোর্চা (বি জে ৱাই এম) হৈরোক কেন্দ্রনা শিল্লগা হৈরোক অপুনদা 'মাস সোসল সার্ভিস' অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা মশিং য়াল্লবা বি জে ৱাই এম হৈরোক কেন্দ্রগী নহাশিংনা মশা মশাগী চানবা খূৎশু-খুৎলাই পায়নরগা হৈরোক পার্ট ১, ২ অমসুং ৩ গী লম্বী শেংদোকপা, লম্বীগী নাক য়েৎতা পৈদুনা লৈবা অমোৎ অকায়শিং অমদি অশোঙবশিং মফম কয়া শিং নান্না শেংদোকখ্রে হায়রি।

ঙসিগী সোসল সার্ভিস অদু হৈরোক পার্ট ৩ কবো লৈকায় ৱাংপোকপী থোংদগী এম এল এ রাধেশ্যাম মশামক শরুক য়াদুনা খুত্তা য়োৎপাক পায়রগা অশোঙবা নাপীশিং ফান্দোক্তুনা হৌদোকখি।

সোসল সার্ভিস অদু করিগীদমক পাঙথোক্লিবনো হায়বগী মতাংদা এম এল এ রাধেশ্যামনা হায়, হৌজিক নীংথম থা হৌখিবগা ইরোয়ননা তমথিরবা লায়না কোরোনা ভাইরসনা মপাঙ্গল কনখৎলকপা মতমনি। মীয়ামদা লু নানবগী পাউজেল পীনবগী পান্দমদা বি জে ৱাই এম হৈরোক কেন্দ্রগী নহাশিংনা সোসল সার্ভিস অসি পাঙথোকপনি। সোসল সার্ভিস অসি হৈরোক কেন্দ্র শিনবা থুংনা পাঙথোক্কনি।

ঙসি অহানবগী ওইনা হৈরোক পার্ট ১, ২ অমসুং ৩ গী অপুনবা পোল্লিং ষ্টেসন ১৭ কী বি জে ৱাই এমগী নহাশিং লীশিং অমা হেনবনা শরুক য়াবিদুনা সোসল সার্ভিস অসি পাঙথোক্লি, মসিগী মথক্তা লন্নাই মীওই কয়ানা অঙম অঙন্বা পাঙ্গল, গাড়ী অমদি শেলগী মতেং পাঙবীরক্তুনা সোসল সার্ভিস অসি মায় পাক্লা পাঙথোকপা অসি য়াম্না নুংঙাই হায়খি। এম এল এ রাধেশ্যামনা মখা তানা হায়, ঐখোয়না লু নান্না লৈরিবা মখে কোরোনা য়াওনা অতৈ অনাবা কয়াদগীসু ঙাকথোকপা ঙমগনি। ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভম লু নান্না থম্বা হায়বসি ঐখোয়গী ৱাখল অমদি পুক্নিং হকচাংসু শেংনা থম্বা ঙমগদৌরিবনি। মীয়াম্না ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভম লু নান্না থম্বগী হৈনবী থমদুনা লু নানবা হৈরোক কেন্দ্র অমা শেমগৎমিন্নসি হায়বা ৱাফমসু থমখি।

বি জে ৱাই এম হৈরোক কেন্দ্রগী এদভাইজর লাইশ্রম মন্দিরনা হায়, লৌরোক পন্থা লোয়খিবগা লোয়নননা হৈরোক কেন্দ্রগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা অমোৎপা লম্বীগী লৈখোম্না চিংবশিং অসি বি জে ৱাই এম হৈরোক কেন্দ্রগী নহাশিংনা শেংদোক্লগা লু নানবা হৈরোক কেন্দ্র অমা ওইনবা পান্দমদা সোসল সার্ভিস অসি এম এল এ রাধেশ্যামগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, ঙসিগী সোসল সার্ভিস অদুদা হৈরোক নগর পঞ্চায়টকী মায়কৈদগী অমোৎপা হোন্নবা গাড়ী অনীসু মতেং পাংখি। লন্নাই মীওই কয়ানসু জে সী বি, ফেস মাস্ক, শুমচিং, য়োৎপাক অমদি শেলগী ওইবা মতেং পাংনরকখি। লৈকায় লৈকায়গী মীওই কয়াসু থোক্নরক্তুনা শিং শেংবা অদুদা শরুক য়ানখি হায়রি।

ৱর্ল্ড খৃষ্টান কমিশনগী ১৫শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্টকী কোংবা উচেক্কোন দা লৈবা ভি ও সি থিওলোজিকেল ইন্সটিট্যুট-ইন্দিয়াদা ৱর্ল্ড খৃষ্টান কমিশনগী ১৫ শুরকপা মপোক কুমওনগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

কমিশন অসিগী প্রসিদেন্ট রেভরিন ডা: রিসিকান্ত সোরোকখায়বম অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি রেভরিন দা: কোনিংথুং ঙোরু মোয়োন অনীনা পুন্না খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না কমিশন অসি নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ব্রাঞ্চনি হায়বগা লোয়নননা নন-প্রোফিটেবল রিলিজিয়স ওর্গনাইজেশন্নি হায়রি। কমিশন অসিনা খৃষ্টানশিংগী মায়োক্তা থবক তৌরকপা মীওইশিং থেংননবা অমসুং শোখনা লৈরিবা মীওইশিংদা অঙন্বা মতেং পাংননবা থবকশিং লৌখৎকনি হায়রি।

ঙসি কমিশন অসিগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়নননা চহী অমগী ওইনা মসিগীদমক থৌ পুননবা মীওইশিংসু খনখি। খল্লবশিংদি- প্রসিদেন্টতা রেভরিন দা: রিসিকান্ত সোরোকখায়বম, ভাইস প্রসিদেন্ট- রেভরিন এল বি, জেনরেল সেক্রেটরি - রেভরিন দা: কোনিংথুং ঙোরু মোয়োন, জোইন্ট সেক্রেটরি- কোইজম বিরঞ্জয়, ফাইনান্স সেক্রেটরি- ওক্রম বিমোলচন্দ্র, ত্রেজরর- ওইনাম সনাতোম্বা অমসুং রেকোর্দিং সেক্রেটরি ওইনা দা: এল তিকেন্দ্রজিৎ খল্লে হায়রি। থৌপুবশিং অসিগী মথক্তা অহানবগী ওইনা কমিশনগী মেম্বর ওইনবগীদমক মীওই ৩০০সু খল্লে হায়রি।

দি এ সি এগী থৌপুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচএনএস): হাওবম মরক লৌরেম্বম লৈকায় মনিংদা লৈবা দিভ্লপমেন্ট এন্দ কলচরেল এসোসিএশন (দি এ সী এ)গী কুমজা ২০২০-২৩ গী থৌপুবশিং খল্লে হায়রি। এসোসিএশন অসিগী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেশন সেক্রেটরিনা থোরকখিবা চেরোল অমদা, খল্লবা মীওইশিং অদুদি- অজিৎ খোমদ্রাম (জিলাঙঙম্বা)না প্রসিদেন্ট, অঙোম রোবর্ট (বোবোই)না ভাইস প্রসিদেন্ট, অহোংশাংবম অজিৎনা জেনরেল সেক্রেটরি, খোমদ্রাম বুলবুলনা ত্রেজরর, তোংব্রম ধনকুবের (মোমো)না গেম্স এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরি, খোমদ্রাম সুনিল (পাইলোট)না আর্ট এন্দ কলচর সেক্রেটরি, ক্ষেত্রিময়ুম রিচার্দ (ইবোচৌবা)না সোসিএল সর্ভিস অমসুং ঙাসেপ্পম রাজেন্দ্রোনা পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেশন সেক্রেটরি ওইনা খল্লে হায়রি। লোয়নননা লাইশ্রম জয়বা ১সুং লাইশ্রম জয়বুনা মথংশীংনা এসোসিএশন অসিগী ইন্টরনেল ওর্দিটর অমসুং চীফ এদভাইজর ওইনা খল্লে।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, শ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্নি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্নি, হকচাংগী পাঙ্গল শোম্থারক্নি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়নননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্তচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্তচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্তচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it .with meal, vegetables or tea without telling him

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar -/level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6508/06/11-05/12

নাকল অনীগী মুক্নবনা মহৈরোয়শিংগী কেরিয়র মাঙনবা শিনবগা পাঞ্জক ওইরে ঃ অমাক্সু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরদা মাষ্টরগী মীং চনবগী মতাংদা থোক্লিবা ৱাথোক অসি তপ্ন-তপ্না হৌজিক্তি য়াম্না ফজদবা মায়কৈ অমদা লাক্লে। নাকল অনীমক্কী ৱা তারগদি অনীমক ইচুমদা চুম্মী। মসিদা ৱারেপ অমা ওইনা লৌবা হায়বসি এম য়ু সীগী ওথোরিটিদসু অরুবা অমদি ওইগনি হায়দুনা মতম শাংনা ৱাথোক অসি লোইশিন্দবা হায়বসি নাকল অনীদা হেন্না উংখৎনবা অমসুং মহৈরোয়শিংগী কেরিয়র মাংনবা শিনবগা পাঞ্জক ওইরে হায়না ওল মণিপুর আর্ট এন্দ কলচর ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন (অমাক্সু) গী পব্লিক সেক্রেটরি সুনন্দেব ৱাহেংবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, ফীভম অসিদা মতম কুইনা থম্বা হায়বসি অফবা ওইরক্লোই, অথুবদা ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটি অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা শিনবিয়ু। ঙসি ফাওবদা ৱাথোক অসিদা এ এম এ সী এস য়ু য়াওদনা লাক্পনি, মরমদি ৱাথোক অসি য়ুনিভর্সিটি মনুংগী ৱাথোক্লি। য়ুনিভর্সিটি অসিগী ইশ্যুদা ৱারেপ লৌজগদবা একাদমিক কাউন্সিল অমদি এগজিক্যুটিভ কাউন্সিল লৈজে। মখোয়না লৌবা ৱারেপনা য়ুনিভর্সিটিগী ৱারেপ ওইগদৌরিবনি। মরম অসিনা য়ুনিভর্সিটিগী মপান্দগী থোইনা খুৎ থিংজিন্নিংদে অদুবু ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা এ এম এ সী এস য়ুনসু ৱাফম খরা থমজরকপনি। অদুগা য়াম্না ফজদবা থৌদোক ওইনা হৌখিবা নবেম্বর ২৮ দা মণিপুরগী লাইগুল্লবা মশক নাইরবা ওজা কয়া অমসু য়াওনা একাদমিক কাউন্সিলগী মীফম ফল্লিঙৌদো এম য়ু সীগী মহৈরোয়শিংনা থোঙ নমখায়রগা ভাইওলেন্ট ওইবা থৌওং চথখিবা অদুদি এ এম এ সী এস য়ুনা হকচিন্না কন্দেম তৌই। অদুগুম্বা লিচৎ অদুদি কলচরগী মহৈরোয়না তৌগদবা নত্তে, ফনা শাওনিংবা নুংঙাইতবা লৈরবসু ইমা ইপাদগী হেনবা ওজাশিংগী মফমদা অমসুং মখোয়গী মমাংদা অদুগুম্বা থৌওং চথবা অদুদি খ্বাইদগী অশোয়বনি। মদুগুম্বা থবক অদু ওজাশিংগী মফমদা চথখিবগীদমক লাল্লে হায়না হায়জফম থোকই।

মালেমদা শক তাক্লিবা কলচর তৌরিবা মহৈরোয়শিংনা থৌগল্লোন ব্যাবহার, থকশি-খাশি ঙাক্তবা অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌরোইদবনি। ঐখোয়না মণিপুর য়ুভির্সিটি ওফ কলচর লিংলক্লিবা অসিগীদমক চাওথোকচরিবনি। লোয়নননা মপুং ফাবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইনবগীদমক্তসু অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাক্লি অমদি লৌখিগনি। ওজা গুরুশিংনা তাকপীবা থৌগল্লোন ঙাকপা হায়বসি কলচর তৌরিবশিংগী থৌদাং অমনি খনগদবনি। থোকখিবা থৌদোক অদু ভাইওলেন্ট ওইবা অরানবা থৌদোক্লি অমদি অসিগুম্বা থৌওং অসি এ এম এ সী এস য়ুনা কন্দেম তৌই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নুপী খুন্নাই মৈরা পায়বীনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচএনএস): শিংজমৈ মখা লিৱা লম্বী বোকুল মখোঙদা লৈবা নুপী খুন্নাই মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট এন মঙ্গোলনা থোরকখিবা চেরোল অমদা, সোইবম ইমো (প্রেমনাথ)না মমাঙ থাগী ২২দা খঙহৌদনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মহাক্না কন্সট্রক্সন কম্মিতি মৈরা পায়বী মার্টিয়র্স মেমোরিয়েল স্কৱার, লিৱা লম্বী বোকুল মখোঙগী এগজিক্যুটিভ বোদিগী মেম্বর ওইরম্মী অমসুং নুপী খুন্নাই মৈরা পায়বীগী থবক থৌগাই কয়াদা মরু ওইবা থৌদাংশিং লৌরমখি হায়রি।

মহাক লৈখিদবা অসিনা নুপী খুন্নাই মৈরা পায়বীনা চঙশিল্লক্লিবা থবক থৌরমশিংদা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অচৌবা মাঙজবা অমা ওইহৌরগনি হায়রি। মহাক্কী থৱায়না তাইবঙ মপুগী মসাইকোলদা ঈংনা-চিক্না লৈরুবা ওইরসনু হায়রি।

উচেক ফানবা হোৎনরম্বা মীওই ৩ ৱাখল তামিন্নরগা থাদোকখ্রেঃ য়ু দব্লিউ পি সী

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচএনএস): নিংথম থাগী মতমদা মীরমদগী পাইরকপা উচেকশিং ঐখোয়গী পাৎশিংদা মরাং কায়না তাবগী খুদোংচাবা লৌরগা খোইদুমপাৎকী মফম খরদা লম উচেকশিং তোয়না ফাবগী পাউ ফংবদগী থিবা-হুন্বগী থবক চথরুবদা লাং থাক্তুনা উচেক ফানবা হোৎনরম্বা মীওই অমা, মহাক্না লোয়নরম্বা মীওই অনী, মখোয়না শীজিন্নরম্বা লাং অহুম, অহিংবা মকু অমা, উচেক চেক্লাওবী অমা ফাগৎপা ঙম্লে হায়রি।

ৱাফম অসি ময়াং ইম্ফাল এ সিগী মনুং চনবা সেকমাইজিন থোঙামদা লৈবা য়ুনিক ৱাইল্ডলাইফ প্রোটেক্সন কমিটিগী সেক্রেটরি সনাতোন মীতৈনা থোরকখিবা চেরোল অমনা ফোঙদোকখি। চেরোল অসিগী মতুং ইন্না উচেক অমসুং মকু অদুদি অহিংবা ওইবদগী মফম অদুমক্তদা থাদোকখ্রে। অদুগা মীওইশিং অদুনা ককচিং ফোরেষ্ট রেঞ্জ ওফিসতা শিন্নখি হায়রি। মীওইশিং অদু রেঞ্জ ওফিসর নাওরেম মুনালনা পাউতাকশিং পীবগা লোয়নননা ৱাইল্ড লাইফ প্রোটেক্সন এক্ট, ১৯৭২ গী মতুং ইন্না উচেকশিং ফাবদা চৈরাক ফংফম থোকই হায়বগী ৱাফমশিং খঙহনবদগী মীওইশিং অদুনসু মখোয়না হায়রিবশিং অসি খঙলুদ্রবদগী তৌখ্রে। মতুংদা অমুক হন্না তৌররোই হায়না নাকল অনীগী মরক্তা অইবা চে অমদা খুৎয়েক পীনদুনা য়াশিন্নবদগী থাদোকখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, মালেমগী হোংলক্লিবা অঈং-অশাগী চাং অসিবু ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিনা অমসুং লন্নাই মীওই কয়ানা উ-ৱাশিং থাজিনবগী থবক কন্না চথরিঙৈ চৈরক্তা ৱাইথৌ রিজর্ভ ফোরেষ্টকী শরুক অমদা হৌবা উশিং পাক্তন্না য়ানবা থিংলুবা ফোরেষ্টকী ষ্টাফশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থোকখিবা থৌদোক অদু লৈঙাক্না অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীদুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীবিয়ু হায়নসু আপীল তৌরক্লি।

দ্যুটিদা শোকপা ভি দি এফ পর্সনেল ৭তা মতেং পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএশন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ভি দি এফ মেম্বরশিংনা মথৌ পাঙথোক্লিঙৌদা শোকপা, শিবা অমদি নাবা য়াওরকপদা মতেং পাংদুনা লাকপগী মখা তারকপদা ঙসিসু খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলগী ঈরাংদা টিয়ার গ্যাসনা পানবদগী শোকখিবা য়াওনা মথৌ পাঙথোক্লিঙৌদা শোকখিবা ভি দি এফ পর্সনেল ৭তা মতেং ওইনা লুপা ১০,০০০/১০,০০০ পীখ্রে হায়রি।

এসোসিএশন অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি সাপম রোমেশনা থোরকপা চেরোল অমদা হায়, শেল ওইনা মতেং পীখ্রবা পর্সনেলশিং অদুদি রিজর্ভ লাইন ইম্ফাল ৱেষ্টকী এসঐচ প্রদিপকুমার (নম্বর-০৯০১১৫৩), রিজর্ভ ওফিস ইম্ফাল ৱেষ্টকী খোইরোম নন্দ (নম্বর-ভি ১১২৭২১), ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস ইম্ফাল ৱেষ্টকী এমদি ইকবাল (নম্বর-ভি১১২৬৪১), ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেশনগী এমদি ইস্মাইল খান (নম্বর-০৯০১১৭), য়ুরেম্বম পাৱর হাওসকী কেঐচ পুমাচন্দ্র (নম্বর-ভি ১১১৩০২), রিজর্ভ ওফিস ইম্ফাল ৱেষ্টকী এম মনাও (নম্বর-ভি ১১২৬৬৯) অমসুং সি এম আর ও পিগী এমদি রফিজউদ্দিন (নম্বর-ভি ১১৩২৪১) নি হায়রি। লোয়নননা এসোসিএশন অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসি এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট কে মেঘচন্দ্রগী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎপনি হায়রি।

অমরোমদা, চহী ১২ হেন্না লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লকপদা হন্দক অহুল্লকশুবা ওইনা ভি দি এফ পর্সনেলশিংগী য়ুনিফোর্ম নৎত্রগা জেকেট য়েন্থোক্লবগীদি লায়রদনা ফেশ মাস্ক ফাওবা য়েনবদা কোন্নরোইদবা শুপ্নতগী লুপা লাক্ষ ৪ গী শেনফম অমখক অহুল্লকশুবা ওইনা ভি দি এফ পর্সনেলশিংগী য়ুনিফোর্মগীদমক পীরক্লে হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী ভি দি এফশিংগীদমক লুপা লাক্ষ ৪খক পীরক্লগা শুপ্নতগী মেম্বর ৬০০খক্তমক লৈবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকীদি লুপা লাক্ষ ১৪ পীরক্লিবা অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়রি।

স্লুকোগী ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা মাস্ক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচএনএস): মমাং থাগী ২৮ দা এস এল য়ু সী ও (স্লুকো) অমদি মসিগা চৎমিন্নরিবা ক্লবশিংগা পুন্না খুৎশম্নদুনা স্লুকোগী '১৩শুবা ফাউন্দেসন দে সেলেব্রেসন' গা মরী লৈননা ওর্গনাইজেসন অসিনা কোনবা মফমশিংদা ফেস মাস্কশিং য়েন্থোকখ্রে হায়না স্লুকোগী সেক্রেটরি এ বেদজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

বেদজিৎনা মখা তানা হায়, এরিয়া অসিদা লৈরিবা মফমশিং হায়বদি হৈজিগাং সুপর মার্কেট, কাঞ্চিপুর অমদি এম য়ু মেইন গেট কাঞ্চিপুরগী মমাংদা ষ্ট্রিট ভেন্দর ফল্লিবশিং, ওটো সার্ভিস তৌরিবশিং লোয়নননা লম্বীদা চৎলিবা মীওইশিংদা হৌজিক মালেমগী মফম পুম্বদা য়াম্না কিনিংঙাই ওইনা শন্দারকপদা নত্তনা ইরমদম মণিপুরদসু ঙসিমক লায়না অসিনা খম থেংনা ৱাহনবতা নত্তনা নোংমগী মীশি মীনা য়াম্না হেনগৎলক্লিবসি খরদা ওইরবসু কোকহন্নবগী পান্দমদা কোভিদ-১৯ গী মরমদা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগা লোয়নননা ফেস মাস্কশিং য়েন্থোকখিবনি।

লোয়নননা মীয়ামদা কোভিদ-১৯ গী চৎনা কাঙলোন ঙাক্লা চৎপীনবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং তৌবীনবা মীয়ামদা খঙহনবগা লোয়নননা এৱোর্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখি। মখা তানা এম য়ু মেইন গেটতগী লিলোং থোং ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা লম্বী এন ঐচ-০২ লম্বী মতেক অসি মৈ থানবীবগা লোয়নননা লম্বীগী ফীভমসি অসুক্কী মতিক ফত্তবনা মরম ওইবনা নোংমা কাংদনা লম্বীসিদা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মমল য়াল্লবা মীওই কয়াগী পুন্সি পীখমনখিবতা নত্তনা মীয়াম্না লম্বীসিদা চৎপদা অকি-তুজুং পোক্লরিবা অসি খরদং ওইরবসু কোকহন্নবা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীদুনা মীয়ামগী য়াইফনবা শিনবীনবা এস এল য়ু সী ওগী মায়কৈদগী আপীল তৌজরি। মমাংদসু এস এল য়ু সী ওনা থেংখাঙ কয়ারক্তা গভর্ণমেন্টগী ওথোরিটিশিংদা খঙহঞ্জখ্রবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবা থবক ওইনদি উৎপীরক্ত্রি।

লোয়নননা ঈকায়খুম্নজরিবা মণিপুরগী সীএম এন বিরেননা হৌখিবা নবেম্বর ২৫দা ইলেক্ট্রোনিক প্রিন্ট মেদিয়াগী খুথাংদা মণিপুর মীয়াম খঙনা লাউথোকপীখিবা 'দ মণিপুর কঞ্জর্বেসন ওফ পেদিলেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দ এক্ট, ২০১৪' গী মতাংদা হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিনবীদুনা লৌফম কন্নবা হোৎনরগনি হায়বসি মণিপুরগী প্রজা অমা ওইনা চিফমিনিষ্টরবু ঙমখে লৈতনা অৱাংবা থাক্তা থাগৎচরি। মতম কয়াগী মমাংদগী এস এল য়ু সি ওনা মসিগী ৱাখল মান্নবা লোকেল ক্লবশিং অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশম্নদুনা লৌফম কন্নবা হোৎঙ্জদুনা লাক্লি। লোয়নননা চিফমিনিষ্টরনা মণিপুর প্রজা মীয়ামগী য়েংবীদুনা হেন্না কনবা খোঙথাং লৌবীনবা হায়জবগা লোয়নননা এস এল য়ু সী ওনসু অঙন্বা থাক্তা মতেং পাংজবগা লোয়নননা শরুক য়াজগনি। অরোইবদা চিফ মিনিষ্টরবু মতম পুন্নমক্তা মপুনা চানবীবা, পুন্সি নুংশাংবা, তৌকু তৌরুবদা মায়পাকপা পীনবীরসনু হায়খি।

CROSSWORD-3635



ACROSS

1 Swindle (3,3)
4 Sauntered (6)
8 Small light rowing boat (5)
9 Good buy (7)
10 In name only (7)
11 Saltpetre (5)
12 Highly confidential (3,6)
17 Long-legged wading bird (5)
19 County town of Suffolk (7)
21 Beginners (7)
22 Garden tools (5)
23 Over there (6)
24 Decapitate (6)

DOWN

1 Feel bitter about (6)
2 Fall rapidly (7)
3 Criminal (5)
5 Sailor (7)
6 Minimum (5)
7 Ascend (anag) (6)
9 News reports (9)
13 Brio, flair (7)
14 Sparkle (7)
15 Neigh (6)
16 Pursued (6)
18 Large crow (5)
20 Carefree lively outing (5)

Solution 3634

S	A	V	E	■	T	A	L	I	S	M	A	N
H	■	I	■	C	■	B	■	N	■	E	■	O
A	N	X	I	O	U	S	■	G	E	N	E	S
M	■	E	■	R	■	E	■	O	■	A	■	Y
R	I	N	K	S	■	N	O	T	I	C	E	■
O	■	■	■	E	■	T	■	■	■	E	■	E
C	H	A	R	T	S	■	M	A	Y	D	A	Y
K	■	P	■	■	■	M	■	B	■	■	■	E
■	O	P	A	Q	U	E	■	S	I	G	N	S
D	■	A	■	U	■	D	■	U	■	R	■	I
A	G	R	E	E	■	D	A	R	L	I	N	G
T	■	E	■	E	■	L	■	D	■	L	■	H
E	N	L	A	R	G	E	D	■	F	L	A	T

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3434

					4			3
			6			1	5	9
3				1	5	2		
	4				7		6	
				6				
	1		8				9	
		6	5	8				4
8	9	2			1			
5			3					

Solution-3433

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers

8	7	5	9	4	3	1	6	2
1	6	9	5	7	2	8	4	3
2	3	4	1	8	6	5	9	7
5	4	8	6	3	7	9	2	1
7	9	1	4	2	5	6	3	8
6	2	3	8	1	9	4	7	5
9	1	7	3	5	4	2	8	6
3	8	6	2	9	1	7	5	4
4	5	2	7	6	8	3	1	9



লময়ানবা ইরাবত [illegible]

ৱারী অমসুং খুৎয়েক : সামসন সলাম

[illegible]

১৯৪৪ মার্চ থাদা কাছারগী কাটাকুউল দিষ্ট্রিক্তা কিশান সভা অমা ফমখি, মহাক্না প্রসিদেন্ট ওইরম্মী। মিতিন্দ্রদা ৱা ঙাংবদা মীয়াম পুমশুম শুক্কাংখিরম্মী।

মিতিন্দ্রদা ৱা ঙাংবদা মীয়াম পুমশুম শুক্কাংখিরম্মী। ময়াম পুন্নমক হরাওদুনা জগোই শারম্মী।

মিতিন্দুগী মখেল অমা ওইনা 'ঝুমুর জগোই' শারম্মী। ময়াই তাংবলদগী হৌগৎতুনা তান অমত্তা কাইদনা জগোই য়াওশিনখিবদা মীয়াম্না থাগৎখিরম্মী।